# ৮শুবা মিষ্টর কংলৈপাক ২০১৭: মুতুম অমরনা মাষ্টরসকী, মরাদোনা ক্ষেত্রিময়ূম্না সেনিয়রগী ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : মণিপুর অমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএসন (এম এ বি বি এ) না শিল্লগা জি এম হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৮শুবা মিষ্টর কংলৈপাক ২০১৭কী মাষ্টরসকীদা সঙাই জিম খাগেম্পল্লিগী মুতুম অমরনা, সেনিয়রগীদনা দ জিমগী মরাদোনা ক্ষেত্রিময়ূমনা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে। জুনিয়রগীদনা মাউন্টেন জিমগী গ্যানেন্দ্রো থোকচোম অমসুং সব জুনিয়রগীদনা এ এস কে ককচীংগী হাওবম মনিকেতন্না ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

৮শুবা মিষ্টর কংলৈপাক ২০১৭কী মাষ্টরসকী চহী ৪০ মথক্কী কেটাগোরিদা সঙাই জিম খাগেম্পল্লিগী মুতুম অমরনা অহানবা পোজিসন, পি ৱাই জিম শিংজমৈগী দিপক লোইতম্বনা অনীশুবা পোজিসন, জোয়া ফিটনেস এন্দ স্পাগী শঙলাকপম বিশ্বানাথ শর্ম্মনা অহুমশুবা পোজিসন, ৱাই পি আই এস এম উরিপোক্কী লোইতোংবম ফিলিপ্না মরিশুবা পোজিসন অমসুং কে বি বি জিম তেরাগী থিয়াম প্রেমজিৎ মীতৈনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

মাষ্টরসকী চহী ৫০ মথক্কী কেটাগোরিদনা এন টি জিম লংথবাল কুঞ্জগী মোইরাংথেম রঞ্জিৎ মীতৈনা অহানবা, সুপর জিম খুরাইগী অখাম প্রেমচান্দনা অনীশুবা অমসুং কে বি বি জিম তেরাগী লুক্রাম কিরন্না অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

চহী ৬০ মথক্কী কেটাগোরিদনা দিভাইন ফিজিক জিমগী এন জি বিরমঙ্গলনা অহানবা, জে বি সী শিংজমৈগী ৱাংখেম কুমারনা অনীশুবা অমসুং জিম অসিমক্কী আর কে নরানস্নানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মিষ্টর কংলৈপাক ২০১৭কী সেনিয়রগী সোর্ট কেটাগোরিদনা য়ুনাইটেদ জিম নাওরেমথোংগী লাইশ্রম নেতানা অহানবা, এন টি জিমগী লাইময়ূম সেখোরজিৎ শর্ম্মনা অনীশুবা অমসুং পামখল জিমগী রাজকুমার লানঙম্বনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

সেনিয়রগী মেদিয়ম কেটাগোরিদনা দি জিমগী মরাদোনা ক্ষেত্রিময়ূম্না অহানবা, জিম অসিমক্কী নাওরেম চীংলেন্না অনীশুবা, জে বি সী শিংজমৈগী কে আর লভিংসন মরিংনা অহুমশুবা অমসুং কে বি বি জিম তেরাগী নেপ্রম রোসন্না মরিশুবা পোজিসন তাখি।

সেনিয়রগী টোল কেটাগোরিদা জোয়া ফিটনেস এন্দ স্পাগী মাইবম চিনানা অহানবা অমসুং কে এফ সী শিংজমৈগী শুখাম বিশ্বরজিৎনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। সেনিয়রগী সুপর টোল কেটাগোরিদা এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী লোংজম শান্তিকুমারনা অহানবা, মাউন্টেন জিমগী কোইজম সসিকান্তনা অনীশুবা অমসুং ৱাই পি আই এস এমগী অকোইজম রতনকুমারনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মিষ্টর কংলৈপাক ২০১৭কী জুনিয়রগী সোর্ট কেটাগোরিদনা পামখল জিমগী খুমন্থেম মেঙোরনা অহানবা অমসুং এস বি বি এফ ক্বাকৈথেলগী খাইদেম সুসিলনা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়রগী মেদিয়ম কেটাগোরিদা কৈশাম মিজেলনা অহানবা, সোরাইসম প্রিয়াঙ্করনা অনীশুবা, হিজম অশিসনা অহুমশুবা অমোম সুরজনা মরিশুবা অমসুং নিংথৌজম দয়ানন্দনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়রগী টোল কেটাগোরিদা মাউন্টেন জিমগী গ্যানেন্দ্রো থোকচোমনা অহানবা, য়ুনাইটেদ জিম নাওরেমথোংগী লিতেল মিদাসনা অনীশুবা, কে বি বি তেরাগী নাওরেম বোবিচানানা অহুমশুবা অমসুং জিম অসিমক্কী দৌল্লি ৱাংখেম্না মরিশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়রগী সুপর টোল কেটাগোরিদা ৱর্ল্ড জিমগী লাইময়ূম হেনরি শর্ম্মনা অহানবা, পি ৱাই জিম শিংজমৈগী দিপক লোইতোংবম্না অনীশুবা, জোয়া ফিটনেস এন্দ স্পাগী শঙলাকপম বিশ্বানাথ শর্ম্মনা অহুমমশুবা, ৱাই পি আই এস এম উরিপোক্কী লোইতোংবম ফিলিপনা মরিশুবা অমসুং কে বি বি তেরাগী থিয়াম প্রেমজিৎ মীতৈনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

মিষ্টর কংলৈপাক ২০১৭কী সব জুনিয়রগী সোর্ট কেটাগোরিদনা ৱর্ল্ড জিমগী বেনচুই রোংমৈনা অহানবা, কে এফ সী শিংজমৈগী লুৱাং মীতৈনা অনীশুবা, আনন্দ মেমোরিএল জিমগী এল নেত্রজিৎ মীতৈনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

সব জুনিয়রগী মেদিয়ম কেটাগোরিদনা এ এস কে ককচীংগী হাওবম মিনকেটন মীতৈনা অহানবা, এন এফ সী নম্বোলগী আর কে বিজেন্না অনীশুবা, ৱাই পি আই এস এম উরিপোক্কী শগোলশেম গিপসন্না অহুমশুবা, এল পি জি থোঙাম লৈকায়গী অহোংশাংবম গোবিন্দনা মরিশুবা অমসুং সুপর জিম খুরাইগী এম এম ৱহিদুর রহমন্না মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

সব জুনিয়রগী টোল কেটাগোরিদা দি জিমগী খুন্দ্রাকপম কেনেদিনা অহানবা, এ এস কে ককচীংগী ক্ষেত্রিময়ূম ক্লিন্টন্না অনীশুবা, রোয়েল জিম নিংথোমথোংগী রঞ্জিৎ শৌগ্রাকপম্না অহুমশুবা, সুপর জিম খুরাইগী অনিল অসেম্না মরিশুবা অমসুং ৱাই পি আই এস এম উরিপোক্কী নাম্বা অখাম্না মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

সব জুনিয়রগী সুপর টোল কেটাগোরিদনা কে বি বি জিম তেরাগী মরাদোনা য়ূম্নাম্না অহানবা, রোয়েল ফিটনেস একাদেমিগী এস কিষন্না অনীশুবা পোজিসন তাখি।

মেন’স ফিজিক কংলৈপাক ২০১৭ (সেন্তিমিটর ১৬৮ ফাওবগী) কেটাগোরিদা এ এস কে জিম ককচীংগী ক্ষেত্রিময়ূম ক্লিন্টন্না অহানবা, জিম অসিমক্কী য়েংখোম ধলজিৎনা অনীশুবা, দি জিমগী নাওরেম চীংলেন্না অহুমশুবা, দিভাইন ফিজিক জিমগী নাওবুং অথোকপম্না মরিশুবা অমসুং আনন্দ মেমোরিএল জিমগী চবুংবম গোঙ্গালিষ্টনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

মিস কংলৈপাক ২০১৭কী কেটাগোরিদনা আর এফ এ থৌবালগী দল্লিয়ু জমুনানা অহানবা পোজিসন, কে বি বি টি সী ককচীংগী মাইবম রোজিতানা অনীশুবা অমসুং কে বি বি তেরাগী ইঙুদম কবিতা চনুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

## ১১শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল ২০১৭
# মোরোকো টিম ইম্ফালদা থুংলরে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শিল্লগা ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দদা লাক্লিবা নবেম্বর ২২দগী ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল ২০১৭তা শরুক য়াগদবা মোরোকোগী পোলো টিম ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে।

মোরোকো পোলো টিম্না ইম্ফালদা থুংলখ্রবা মতুংদা টিম অসিদা য়াওরিবা পোলোগী শান্নরোয়শিংবু মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনগী ওফিসিএলশিংনা তরাম্না ওকখ্রে। মোরোকোগী পোলো টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিংদি বেদি কেবির, হিচম জিনে, রচিদ হেদ্দোচ অমদি ফিলিপ দারোক্সনি।

শান্নরোয়শিং অসিবু তরাম্না ওকপা অদুদা ১১শুবা মণিপুর ইন্টরনেসনল ২০১৭কী পল্লিসিটি সব কম্মিটিগী ৱার্কিং চেয়রমেন ওইরিবা আই এ এস ওফিসর ঐচ দিলিপ, পল্লিসিটি সব কম্মিটি অসিগী চেয়রমেন এম তোম্বীরাজনচিংবা য়াওনা মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনগী ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াখি। তুংদা মোরোকো টিমগী ৱার্ম অপ প্রেক্টিশ মেচ ওইনা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পোলোগী মেচ অমসু শান্নখি।

মোরোকো টিম ঙসি ইম্ফালদা থুংলখ্রবা মতুং হয়েং মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা পোলো টুর্নামেন্টশিংদা খ্বাইদগী মায় পাক্নবা টিম অমা ওইরিবা অর্জেন্টিনাগী পোলো টিম অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী পোলো টিমসু ইম্ফালদা থুংলরগনি। ১১শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল ২০১৭তা শরুক য়ানবগীদমক হয়েং ইম্ফালদা থুংলগদবা অর্জেন্টিনাগী টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি মার্টিন স্কোটিচিনি, জুআন ক্রুস, জুআন পেল্লো অমসুং মিগুএল উরিবুরোনি। অদুগা হয়েং থুংলগদবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা (য়ু এস এ) গী শান্নরোয়শিং অদুদি জোর্জ বাক্সেস, নাটে বিরুবি, নিক জোনসন, ইব্রান ৱালস অমসুং ব্রিনন ৱেলসনি।

পনবা য়াবদি, ১১শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল অসিদা য়ূম্ব টিম ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়া-বি (মণিপুর) টিমগী শান্নরোয়শিং খনখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মমিংসু ঙরাং লাউথোকখ্রে। ইন্দিয়া-বি (মণিপুর) পোলো টিমগী খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি টিম অসিগী কেপ্তেন ওইনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-বিগী টি প্রদিপ কুমার, এক্স পোলো ক্লবকী পি ওজিৎ, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-এগী এস বিমোল, খুরাই পোলো ক্লবকী কে যোগেন্দ্রা মৈতৈ, এক্স পোলো ক্লবকী এল অতাঙবা অমসুং পোলো ক্লব অসিমক্কী টি ঐচ জেকোবনি। অদুগা টিম অসিগী কোচ ওইনা কোংগ্রাইলাৎপম ধনচন্দ্র শর্ম্ম অমসুং টিম মেনেজর ওইনা নিংথৌখোংজম ইবুংঙোচৌবীনি। ১১শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনল ২০১৭ অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিং অদুদি অর্জেন্টিনা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকা (য়ু এস এ), মোরোকো, ইংলেন্দ, ইন্দিয়া-এ অমসুং ইন্দিয়া-বি (মণিপুর) পোলো টিমনি।

# ৩১শুবা ইন্টরনেসনল এ ঐচ এম ঈ টি কোমর্ট বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবী টিলোটমা ওকখ্রে



ইন্দোর, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : টর্কি বোক্সিং ফেদরেসনগী মিৎয়েং মখাদা টর্কিদা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ১১দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৩১শুবা ইন্টরনেসনল এ ঐচ এম ঈ টি কোমর্ট বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রবী ক্ষেত্রিময়ুম টিলোটমা চনুবু ঙসি কোথা ভিলেজগী মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরে সব দিভিজনগী মনুং চনবা কোথা ভিলেজকী মীয়াম্না ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ক্ষেত্রিময়ুম টিলোটমা চনুবু ওকপগী থৌরম অদু কোথা কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোকখি। মহাকপু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা কোথা ভিলেজগী চীফ এল কমল, কোথা ভিলেজ ওথোরিটিগী মীহুৎশিং, কোথা য়ুথ ক্লব অমদি কোথা মৈরা পায়বীগী ইমাশিংসু শরুক য়াখি।

তোঙান তোঙানবা লৈবাক ২২না শরুক য়ারগা চথখিবা ৩১শুবা ইন্টরনেসনল এ ঐচ এম ঈ টি কোমার্ট বোক্সিং টুর্নামেন্ট ২০১৭কী কেজি ৬০গী কেটাগোরিগী সেমী ফাইনেলদা রসিয়াগী বোক্সর অমগী মখূৎতা পোইন্ট অমখক শোথহৌদুনা মায়থীহৌবদগী ক্ষেত্রিময়ূম টিলোটমা চনু ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখিবনি।

ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্দুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরক্লবী ক্ষেত্রিময়ূম টিলোটমা চনু তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরে সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা কোথা ভিলেজগী ক্ষেত্রিময়ূম জোন অমসুং ক্ষেত্রিময়ূম ওংবী থোইবী দেবীগী মচানুপীনি। ক্ষেত্রিময়ূম টিলোটমা চনু নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা অতোপ্পা চেম্পিয়নশিপ কয়াদসু মেদল কয়া লৌরকখ্রবী শান্নরোয়নি।

## তরামাথোইশুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭
# এন টি ৱাই সীনা এফ সী জি মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএসন (জেদ এফ এ) অমসুং জাদোনাং ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওর্গেনাইজিং কম্মিটিনা পূন্না শিল্লগা থাংমৈবন্দগী থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ১১শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন টি ৱাই সীনা এফ সী জি মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা এল এফ সী লোংমাই অমসুং এন ৱাই সী নমকাওলোং, সী ৱাই দি এ চীংখুলোং অমসুং কে ৱাই সী কলালোং অমদি টি ৱাই এস সী থুইজাং অমসুং এল সী আর সী লংথবাল চীংথক ড্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৯না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্লগা চথরিবা ১১শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসিগী অহানবা মেচতা এল এফ সী লোংমাই অমসুং এন ৱাই সী নমকাওলোং শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচকী ২৪শুবা মিনিটতা এন ৱাই সী নমকাওলোংগী জর্সি নম্বর ১৪ গানরৈলুং গোলমৈনা গোল অমা চনখি। গোল অদুনা মেচ অদু এন ৱাই সী নমকাওলোংনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল ১-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৪৫শুবা মিনিটতা এল এফ সী লোংমাইগী জর্সি নম্বর ৯ লানগুৱাংলৈনা এন ৱাই সী নমকাওলোংগী গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদবদগী এল এফ সী লোংমাই অমসুং এন ৱাই সী নমকাওলোং গোল ১-১দা ড্রো চৎখি।

অনীশুবা মেচতা এন টি ৱাই সী নমচীং অমসুং এফ সী জি গাইজিনলোং শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী ০-০দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা এন টি ৱাই সী নমচীংগী মায়কৈদ্দগী অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। মেচকী ৫৯শুবা মিনিটতা এন টি ৱাই সী নমচীংগী জর্সি নম্বর ১০ রিজয়সন কামৈনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এফ সী জি গাইজিনলুংগী মায়কৈদ্দগী গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে। রিজয়সন কামৈনা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেচ অদু এন টি ৱাই সী নমচীংনা এফ সী জি গাইজিনলোংবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা মেচতনা সী ৱাই দি এ চীংখুলোং অমসুং কে ৱাই সী কলালোং শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নদনা ০-০দা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিৱৈ মেচকী ৩৬শুবা মিনিটতা কে ৱাই সী কলালোংগী জর্সি নম্বর ১২ পি মৈলিংনা গোল অমা চনবদগী মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থারগা চৎপা ঙমখি। গোল অদু হন্দোক্ক নবা সী ৱাই দি এ চীংখুলোংগী মায়কৈদগী কন্না শান্নরকখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ হায়বদি ৬০শুবা মিনিটতা সী ৱাই দি এগী জর্সি নম্বর ৯ হোপসন পামৈনা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচ লোইরকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্ন দবদগী সী ৱাই দি এ চীংখুলোং অমসুং কে ৱাই সী কলালোং গোল ১-১দা ড্রো চৎখি।

মরিশুবা অমসুং অরোইবা মেচতা টি ৱাই এস সী থুইজাং অমসুং এল সী আর সী লংথবাল চীংথক শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। মেচকী অরোইবা মীমকুপ ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল চন্ননবা অকনবা এটেক কয়া চথনরবসু গোল অমা ফাওবা চন্নবা ঙম্নদবদগী টি ৱাই এস সী থুইজাং অমসুং এল সী আর সী লংথবাল চীংথক গোল ০-০দা ড্রো চৎখি।

# য়োনেক্স-কোরিয়া জুনিয়র ওপন ২০১৭তা মণিপুরগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরক্লে




ইন্দোর, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসন (বি দল্লিয়ু এফ) অমসুং বেদমিন্টন এসিয়াগী মিৎয়েং মখাদা কোরিয়া বেদমিন্টন এসোসিএসন্না শিল্লগা সাউথ কোরিয়াগী মিরিয়াংদা হৌখিবা নবেম্বর ১৩দগী ১৯ ফাওবা চথখিবা য়োনেক্স-কোরিয়া জুনিয়র ওপন ২০১৭তা মণিপুরদগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরক্লে।

ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অমা ওইরিবা য়োনেক্স-কোরিয়া জুনিয়র ওপন ২০১৭কী অন্দর-১৭কী মেন’স সিঙ্গলসতা মৈরাবনা ব্রোঞ্জ মেদল অসি লৌরকখিবনি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা মৈরাবনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙম্বা অসি অহানবনি হায়রি।

য়োনেক্স-কোরিয়া জুনিয়র ওপন ২০১৭কী অন্দর-১৭কী মেন’স সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা বাই ফংদুনা মৈরাবা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। অনীশুবা রাউন্দদা মৈরাবনা য়ূম্ব ওইরিবা কোরিয়াগী লি গাং নোগা শান্নখি। মেচ অদু মৈরাবনা লাকচরপ তৌনা শান্নখিবগা লোয়ননা কোরিয়াগী লি গাং নোবু ২১-১৫, ২১-১৯দা মায়থীবা পীরল্লগা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা মৈরাবনা অমুক য়ূম্ব ওইরিবা কোরিয়াগী রেঙ্ক নম্বর ১৩ ও সুং ওনগা শান্নখি। মেচ অদুদা শান্নরোয় অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অদুবু মেচ লোইশিল্লকপদা মৈরাবনা ও সুং ওনবু ২১-১৭, ২১-১৬তা মায়থীবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

ক্বার্টর ফাইনেলদা অমুক মণিপুরগী মৈরাবনা মঙাশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা কোরিয়াগী চৌই জি হুনগা শান্নখি। মেচ অদুদা মৈরাবনা চৌই জি হুনবু ২৯-২৭, ১৩-২১, ২১-১৪দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি। সেমী ফাইনেলদা মৈরাবনা কোরিয়াগী নম্বর ৱান রেঙ্ক তাবদা নত্তনা অন্দর-১৯গী রেঙ্ক নম্বর টুদা লৈরিবা পাক য়োন ইয়ুংগা শান্নখি। মেচ অদুদা মৈরাবা মায়থীহৌরবা মতুং য়োনেক্স-কোরিয়া ওপন ২০১৭তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, মৈস্নাম মৈরাবা লুৱাং নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা ইভেন্ট কয়াদা মেদল কয়া লৌরকখ্রবা শান্নরোয়নি।

## ত্রাইএল কম কোচিং

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : ২৯শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭তা শরুক য়াগদবা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (দি এস এ) থৌবাল টিমগী শান্নরোয়শিং খন্নবগীদমক ত্রাইএল কম কোচিং অমা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা নবেম্বর ১৯ অমসুং ২০দা পাঙথোক্লগনি। দি এফ এ থৌবালদা এফিলিএট তৌবা ক্লবশিংনা মখোয় মখোয়গী নুপামচা শান্নরোয় ৬/৬ রিকমেন্দ তৌরকপা য়াগনি। শান্নরোয়শিং অদু কুমজা ২০০১গী জান্যুৱারী ১দগী কুমজা ২০০২গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা ওইগদবনি হায়নসু দি এফ এ থৌবালগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## ১১শুবা নেসনল কুং-ফু চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৯ (ঐচএনএস) : টমিল নাদুগী হুসুর কৃষ্ণগিরিদা লৈবা অদিয়ামন ইঞ্জিনিয়ারিং কোলেজদা নবেম্বর ২৫দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা নেসনল কুং-ফু চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তা শরুক য়াক্নদবা মণিপুর টিমগী শান্নরোয়শিং অমসুং ওফিসিএলশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

নেসনল কুং-ফু চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রবা ওল মণিপুর কুং-ফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়নগী শান্নরোয়শিং অদুদি অসেম জেনিট (কেজি ৩৪), লাইশ্রম এলেক্সন (কেজি ৪৪), কৈশাম জেমসন মীতৈ (কেজি ৪১), লোইতোংবম রুহিট (কেজি ৪৫), লাইশ্রম চীংলেন (কেজি ৫৫), এল নোংপোকঙানবা (কেজি ৪০), মাইস্নাম কুমুদিনি (কেজি ৫১), কাঙুজম রঘুচন্দ্র (কেজি ৫৫), এলাংবম রোহিট (কেজি ৪০), হেরোজিৎ শর্ম্ম (কেজি ৪০), পুখ্রম্বম জোনসন (কেজি ৬০), দল্লিয়ু রোসন (কেজি ৫৪), ধনচন্দ্র হুইদ্রোম (কেজি ৪৮), নেলসন নাওরেম (কেজি ৫০), থৌরোইজম গৌরি (কেজি ৬০), এল ত্রিলানিনি (কেজি ৪৪), এস পারিতোন (কেজি ৫৫), এস পোইরৈঙানবা (কেজি ৫২), এস রোকি (কেজি ৩৪), এস বেনি দলা (কেজি ৫২), হুইদ্রোম গিতারানি চনু (কেজি ৪৬), হুইদ্রোম রোনিবালা চনু (কেজি ৪৬), ওইনাম সদানন্দা (কেজি ৩৫), ওইনাম থোইথোই (কেজি ৪০), লিওনাদ্রো মোংজম (কেজি ১০০) অমসুং মিরান্দা মোংজম (কেজি ৮০) নি। টিম অসিগী মেনেজরনা এস রাজেস মীতৈ, এসিষ্টেন্ট কোচনা টি ঐচ কিরন অমসুং টিম কোচনা ডা. ঐচ রোমেননি।



HL-B/4172/17/10-14/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com